# কুমজা ২০১০ গী থ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতা মণিপুরদগী ঐখোয় নুপী অহুম রোয়িং মশান্নদা শরুক য়াখি : কে ঐচ মোনালিশা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

### রোয়িংদা মিৎয়েং অমা



এসিয়ন রোয়িং চেম্পিয়নশিপ, কুমজা ২০১১

(হান্নগী মখা...)

রোয়িং হায়বা মশান্নসি এসিয়াদসু য়াম্না পাকশন্না শান্নবা মশান্না অমদি ওইদে। এসিয়াগী ওইনা লৈবাক খরখক্তনি শান্নরিবসিসু। মরুওইনা থৱায় য়াম্না য়াওনা শান্নরিবসি চিনা, কোরিয়া, জপান, ইরান, ইন্দিয়া অসিনচিংবনি। অদুগা অতে কন্ত্রিগী রোয়রগা ঐখোয়গা খেন্নবসিনা মখোয়দি অয়াম্বনা ৱাং চাউই। ইদি দয়াদগী চৎলিবা ঐখোয়সিদি মখোয়গী লেংজুম ময়াদা লোইনা লৈ। ইন্দিয়া মনুংদদি ঐখোয়সি ৱাং চাউরে হায়দুনা চৎলিবনি। আ য়ৌরগদি পীশক পীকই। এসিয়াগী ওইনদি চিনানা ফার্ষ্ট, কোরিয়ানা সেকেন্দ, ইরান্না থার্দ সুমাইনা অদুম লৌই। ঐখোয়গী ইভেন্টতদি জপান য়াওদে।

রোয়িংদা লৈরিবসি ইভেন্ট মরিনি। কোক্সলেস ফোর হায়বা অমনে, কোক্সলেস দবলসনে অদুদগী সিঙ্গলস স্কলস, দবলস স্কলস হায়রিবশিং অসিনি। কোক্সলেস ফোর হায়বসিদনা চপু হায়বদি নৌ অমমমতং পায়রগা হোন্দোইনি। কোক্সলেস পিয়রসিদনা নৌ অনী পায়রগা থৌদোইনি। শান্নবসিসু হান্নদি প্লেয়র অমনা কোক্সলেস ফোর থৌরুরগা দবলস থৌবসু য়ারম্মী। অদুগা দবলস শান্নবনা কোক্স ফোরসু শান্নবা য়ারম্মী। হৌজিক্তি রুলসসিসু মথং মথং য়াম্না শেমদোকখ্রে। অদুনা চেঞ্জ ফনা য়াম্না লৈখ্রে। প্লেয়র অমনা আইটেম অনী শান্নবসিসু অরাইবা থবকপুদি নত্তে। ঙম্ম নবা হোৎনবদগী ঐখোয়সু অনীবুদি অদুম শান্নরকখি, ৱাবদি য়াম্না ৱাই।

খুদম ওইনা সিঙ্গলস স্কলসতা কিলোমিটর অনী মিনিট ৬ তা থৌরুরগা মিটর ৫০০ গী দবলসতা থৌবদু তশেংনা অৱাবা অমনি। অদুনা হৌজিকপুদি পাম্না শান্নবা আইটেম অমমমদা কন্না হোৎনবা ঙাক্তনি। ইভেন্ট অমমমদা থৱায় য়াওনা শান্নবসিনা তেন্সনবুদি লৈতে। অনী শান্নবসিনা ইশাদা তহা তহাবা অমদি অদুম চঙই। শুপ্পগী ঙৈহাক পোত্থারগা তকখায়দুনা অমুক শান্নবদু লৈতাহন্দবা অমদি পোকই। অদুগা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ, এসিয়ন গেমসকুম্বা শান্নবা চৎপগী নুংঙাইবসিনা চিনা, কোরিয়াদা তারগদি মণিপুরী মচাশিং ঐখোয়দি য়াম্না নুংঙাই। ইন্দিয়াগী অতে ষ্টেটকী ইমান্নবশিংদি চাবা থকপদা খরা খেন্নবনিনা, এদজষ্ট তৌবসি ৱাই। মখোয়না ঐখোয়দা লক্ক রক্কনি। নখোয়গী লম য়ৌরে। নুংঙাইরম্লনি নখোয়দি, শকসু য়াম্না মান্নে। ৱা ঙাঙবগী মওংদুসু মান্নে, লোন ফাওনরমদৌ মাল্লি হায়দুনা অদুম হায়। তশেংবগীসু এসিয়া লৈবাক্তা চৎপসি য়াম্না নুংঙাই। চাবা থকপা চাক এঙ্গাংসি ঐখোয়গদি কয়া কন্না খেন্নদে। চিনাগীদি অয়াম্বনা মোরোক চম্মী, মখোয়গী এঙ্গাংসি মোরোক কয়া থাক্তে। অচম্বনা নম্মী। অদুনা চাবদা লোইনা নুংঙাই।

কুমজা ২০১০ গী থ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসকী মাঙওইননা জুনিয়র এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ শান্নবা চৎলুবদুসু চিনাদনি। এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী মতুংদা থ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা কোক্সলেস ফোরদা শরুক য়াখিবসি মণিপুরদগী ঐখোয় নুপী অহুমনি অমদি চেন্নাইদগী স্বুটিনি। মণিপুর ষ্টেটতগী য়াওখিবসি মোইরাংদগী ইচে তবাবী, থাঙ্গদগী ইচে রামেশ্বরী ঐহাক্কা ঐখোয় অহুমসি চহীদুদা মণিপুরদগী নুপা অমত্তা থ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতা য়াওখিদে। ফজনা শান্নরম্বা রোয়রবুদি লৈরম্মী।

ঐখোয়না অহানবা ভোপাল একাদেমিদা চৎপা মতমদা য়াওখিবা চীংমৈরোংদগী হেম্বসিসু ফজনদি শান্নরম্বনি। কুমজা ২০০৯ দদি মহাকসু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকা শান্নবা চৎলুবনি। ইন্দিয়া কেম্পতসু ঐখোয় মতম শাংনা পুল্লম্মী। অদুবু মীৎ শোকএ হায়দুনা ইমুং মনুংনা কৌথোকখিবদগী মাগী শান্নবগী কেরিয়রসু কুমজা ২০১০ দা লোইশিনখ্রে। ঐগী ওইদি ভোপাল একাদেমিদা অয়াম্বা শান্নরোয় অমা ওইবগী কেরিয়রসি শেম্লকখিবনি। শাংলবা চহী ৭/৮ গী মতমসু একাদেমিদুদা লৈরকখি। খিত্তং পেন্দবা নুংঙাইতবা অমা হায়বা তারবদি, ঐগী শান্নবগী কেরিয়রসি এদ্যুকেসনগা লোয়ননা চৎমিন্নবা ঙমহৌদবা অসিনি।

-মথং-মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৩

১. কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ্তা ফ্রান্স অমসুং চাইনানা মায়োক্লবা টিমদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। টিম অনী অসি নত্তবা অতোপ্পা টিম অমসু মায়োক্লবা টিমদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২. করম্বা মশান্নদা মণিপুরনা অসামগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট (চেম্পিয়নশিপ) টুর্নামেন্টতা মাপল্লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবগে?

৩. মণিপুর টিম্না অহানবা ওইনা বাইটন কপ্তা শরুক য়াখিবদা টিম মেনেজর ওইখিবা মীওইদুগী মমিং করি কৌবগে?

৪. মহাক্না অহানবা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী ১৬ কী মতুংদসু ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্বী নুপীগী অহানবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫. পীরিবা লাই অসিগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : রেদ সিল্ড দিভিজনগী মিৎয়েং মখাদা নোনে বটালিয়ন্না শিল্লগা হয়েং ফাওবা চথুগদবা মরিশুবা এদিসনগী ইন্দিপেন্দেন্স দে ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী ওপনিং মেচতা ৮-শুবা আসাম রাইফলস অমসুং লজেরোং য়ুথ স্পোর্টিং ওর্গেনাইজেসন শান্নখি। টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না শরুক য়ারিবা হায়না পি আই বি দিফেন্স ইম্ফালগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## লমলোং কৈথেলগী অকোয়বা মফমশিং শিৎ-শেংখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী মিৎয়েং মখাদা সাই এস এ জি ইম্ফাল সেন্তরগী ষ্টাফশিং, কোচশিং অমদি শান্নরোয়শিং য়াওনা পূন্না মীওই ২৫০ রোম্না ঙসি লমলোং কৈথেলগী অকোয়বগী মফমশিং শিৎ-শেংখ্রে। লমলোং কৈথেলগী অকোয়বগী মফমশিং শিৎ-শেংখিবা অদু সাই এস এ জি সেন্তর খুমন লম্পাক্না থা অসিগী ১ দগী ১৫ ফাওবা চথুগদৌরিবা স্বাচটা পখ্বাদা থৌরমগী শরুক অমা ওইননি হায়রি।

## এস দল্লিয়ু ৱাই সী অমসুং দি এল সী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শিন্দুনা ৱাংজিংগী কোদোম্পোকপী গ্রাউন্দদা চথরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী সুপর ফোরগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস দল্লিয়ু ৱাই সী অমসুং দি এল সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সুপর ফোরগী অহানবা মেচ অদু ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী এস দল্লিয়ু ৱাই সী অমসুং আর পি য়ু শান্নখি। মেচ অদুদা এস দল্লিয়ু ৱাই সীনা আর পি য়ুবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি। এস দল্লিয়ু ৱাই সীগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু জর্সি নম্বর ১১ কে জুরেম্বনা মেচকী ৬৪ অমসুং ৭৭শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা আর পি য়ুগী জর্সি নম্বর ১০ টি সনাতোম্বনা গোল অমা মেচকী ৩২শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা আর পি য়ুগী রুহিকান্তা অমসুং এস দল্লিয়ু ৱাই সীগী জুরেম্বা রেফ্রিনা কোসন পীখি।

সুপর রেফারগী অনীশুবা মেচ অদুনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৪৫ তাবদগী এল পি ৱাই সী অমসুং দি এল সী শান্নখি। মেচ অদু দি এল সীনা এল পি ৱাই সীবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখি। দি এল সীগী মায় পাকপগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১৬ এন বিক্রম্না মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা চনখি। গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদুদা এল পি ৱাই সী মায়থীহৌখি। মেচ অদুদা এল পি ৱাই সীগী ঐচ রোসন মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

## টি ৱাই এ অমসুং এ কে এস এ দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ১৩ না শরুক য়াদুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা মরিশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি ৱাই এ অমসুং এ কে এস এ দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী টি ৱাই এ অমসুং এ কে এস এ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ০-০ দা দ্রো চৎখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৬ তা জি দি সী অমসুং এল এফ সী শান্নগনি হায়রি।

## নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম লমথাখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : পঞ্জাবতা লাক্লিবা ওগষ্ট ১৮ দগী ২০ ফাওবা চথুগদৌরিবা ৩শুবা নেসনল পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি হেলথ সার্ভিসেসকী মেদিয়া এদভাইজরসু ওইরিবা নহারোল থৌদাং পাউচেগী এদিটরনা ঙসি লমথাখ্রে। নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর টিম অসিদা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফমণিপুরগী শান্নরোয় ৬৪ য়াওরি। টিম মেনেজরনা মাষ্টর জুগেশ্বর, হেদ কোচনা লাইশ্রম শ্যামকুমার, সেনিয়র টিম কোচনা ডা. ৱাই মনি খুমন, জুনিয়র কোচনা নৱাং, সব জুনিয়র কোচনা জয়কুমার মীতৈ অমসুং নেসনল রেফ্রি লাইশ্রম রঞ্জি অমসুং নিংথৌজম রোবিন্দ্রোসু ওফিসল ওইনা য়াওরি।

HL-B/4069/15/8-14/09




